ৱারী ককনাউ

# নুমিত্তুগী চাকতো

ঐনে, ইতাও কুল্লনে, মোহোঞ্জাওনে, তোম্বীবাবুনে অদুগা রাজেসনে ঐখোয় মঙানি খুদক্তা শীন্নরগা চাক চানরিসে। ঐখোয়গীসি চাক চানরিবা য়ু-থক্করিরা হায়দুদি খঙদে। ঐখোয়গী মমাঙ শঙ্গোয়দুদনি ঐখোয়না য়োৎসবী মচা অমা থাঙ্গৎলগা খাঙদা ঙানু হাতম অমা ঙৌরিসে। ঙসাইৱাইদি ঐখোয় ৱা-ৱা নোক্তুনা অমনা তিলহৌ শোই, অমনা চনম খোক, শিং মকু খেৎপা য়াও, ময়ামসি থবক কন্না চিন্নরম্মী। ঙৌবা হৌরবা, কোৎথরগা মুনব্রা মুন্দব্রা, থুম মরোক য়েংবা য়ারব্রা য়াদ্রবা হায়বা য়েংবা য়ারবা মতম অদুদগী ষ্টীলগী মপান য়াওবা পুখমদুদা খরা কোৎথরগা ঐখোয়না থকপা হৌরক্লিসি ফনা কুইরে। মহী হাপ্পা অথোংবদুফাও মৈ মুখুৎলবনি। চাক ঙসাইনা চাবা য়ারবদো, ইমুংদগী অনী অহুল্লক চাক থাংদোরক্লোরা হাংলফাও ঙাইখো ঙাইখো হায়না ঐখোয় য়ুদু গ্লাস পিক পিক থন্না হৈরগা, ৱারীনা মরীরিরা, ঙানুনা মরীরিরা মেন তাদখৈ পোলিটিক্স নৈনরি, গভর্ণমেন্ট শেন্বা ঙন্বা মীদৌনা ৱারী শুধরি।

নুমিত্তু, ঐখোয় অসুক্কী মতিক নুংঙাই। মায়থোঙ মকা য়াম্না লাম্মী। থক্লিঙৈ ঙাওদবগী টাইপতা ৱারী নুংঙাইরি, চাক চানরিনি হায়বা ঐখোয় কাউরে, চাক্কী ৱা নীংশিংনদে। ঐখোয় পার্টিনা শোয়দনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্মনি হায়বসিগী ৱাখল্লোলদা কোক থুগায়নরি কনানা মিনিষ্টর ওইগনি, করি করি ফম পায়গনি হায়বা ফাওবা ঐখোয়না খঙদোকপিবা লোইরে। মরকসিদা রাজেসতি ফজনা পাল্লে, মমায়দু চুম্না থাংগৎপফাও ঙমদে, লুকথরগা ঙাঙলকই। মখূৎ খূদোনবিদুগা, মমায় থাঙ্গৎতে হায়বৈ ৱানি খোন্দি ফজনা কল্লি।

“নোই হায়রিদো য়াদে, তোম্বনা হেল্থ পায়বা য়ারোই, মাদি থিকা তৌরগা হৌরকপনি, পি দল্লিয়ু দি পায়হনগদবনি, হেল্থতি মনিজাওনা পায়গদবনি, ঐনা হায়রিসিনি” মানা শং-শংদনা হায়রকপদু ইতাও কুল্লনা থোক ওল্লগা হায়রকই,

“রাজেস, নঙনা হেক্তা শিনবা য়ারোইকো। নঙনা পীনিংদে হায়রগসু তোম্বদা হেল্থ পীদবা য়ারোই”

“ও কে, নঙনা মনিজাওদা হেল্থ য়াম পায়হন্নিংঙিসি করিগীনো ?”

“মনিজাওগী মশক্তো মহীক য়াম মানবা কো, মহিক মানবা মানা হেল্থ পায়দ্রদি জেন্টলমেন মানবা তোম্বদা হেল্থ পায়হনবা য়াবা নত্তে, মী মীগী চানবা হায়বা অমা লৈ, পকচগদবা হায়বা অমা লৈ, মদু য়েংলগা পীগদবনি“। মাগী ৱাদু তাবদা ঐখেয় ময়াম্না ৱা-ৱা হায়না গ্লাসতু খিংই ক্রেং-ক্রেং।

“ও কে অদুদি তোম্বদি করি পায়বা তারে ?” ইতাও কুল্লনা হংলুই।

“য়েস মাদি পি দল্লিয়ু দি পায়গদবনি ?”

“মদুগী মরম ?”

“থিকাদার ওইনা হৌরকপনি। থিকাদারদি থিকাগী থবক, ও কে” ময়াম মাগী ৱাদুদা ৱা লাওনা নোকই। নোকপগী হন্থরকপদা য়াম ফরক তানা তোম্বীবাবুনা ৱাফম অমা হৌদোরকই।

“থিকাদার হায়সে সোসল ৱর্করগী মরূমনি। মচা ওল্লকান্দা সোসল ৱর্কর, অদুদগী মীয়ামগী লুচিংবা ওইরক্কদৌরিবনি, সিদৈদা নোইনা অফাও শাদুনা মীয়ামগী থবক তৌরনিগায়না নৱা লৌদে হায়সিনিকো। ঐদি পুকচেল শেংলবনি গায়না তৌজশারিদো সোসল ৱর্কর ফাও ওইবা ঙম্মোই। ৱাথী ৱারেম” ৱাশিংসি হায়রল্লগা তোম্বীবাবুদি লোংনা হাইথখ্রে। কনাসু হন্না য়েংদে। তঞ্জাসিদদি ইমুংদগী চাক পুথোরকখ্রে। ঐখোয় নুপীনা কোম্পাক অমদা চাক পুথোরকই, পুখম খরা অমগা খাবৈগা থল্লল্লগা, মশক্তু পৈথোল্লগা মনাতোন মেল্লগা থুনা থোকখ্রে। চাক চারসি হায়না থৌরাং তৌরে। ঐবুদি য়ুম্বুনিনা খরা ৱাখল তারি। ময়ামগী চাক্কদু হাপ্পগা চাবা হৌরে। তোম্বীবাবুদি তুনা তুনা ঈশৈ অমা ঙংলকই,

“জাতি কৌবী শক হেনবী ....’ মতৎ মতৎ সুর চাদনা শকপা ঈশৈদু ময়াম্না তান থাদুনা চাবা হৌই। ইতাও কুল্লদি চাক মেৎলিরা, নোইরিরা খঙদে। চাক্তু নৈখায়দুনা মোরোক মেৎপদৌনা তৌরি। রাজেসতি ঈশৈ তানা তানা ঐগী হূইদু মানা কোল্লগা মাগী চাক্তু তোৎলগা ইনবিরি। মানা অমুক চাই, হূইদুদা অমুক ইনবি। কয়াদা নুংশিরবা মতৌনো। মমৈদা ঐগী হূইদুনা রাজেসনা চাবদু মঙোন্দা ইল্লক্তে হায়দুনা “গৌ...গৌ” লাওনা খোঙলগা লাল্লকপদা রাজেসতু তোম্বীবাবুগী মথক্তা তুথখ্রে, অদুম হৌগৎলক্ত্রে।

তঞ্জাসিদা লৈকাইকী ক্লবগী নহা খরা চঙলল্লগা শাওনা হায়রে,

“তামো সুমাইনা তৌবসিদি ফজদে, কোভিদ-১৯গী সোসল দিষ্টেন্সিং তৌগদবনি হায়না ঐখোয়না কন্না মীয়ামদা ৱাখল তানবা হায়রি। অদুগা তামোহোয়না সিদা শানৈ য়ুনৈদনা তৌরিসিদি য়াম্না ফজদে, লোইশিনবিরো, নৎত্রদি ঐখোয় য়াম শাওরল্লগনি”

অসুম্না ঙাঙনরিঙৈদা ইচানুপাদুসু থোরল্লগা ক্লবকি মীগা অমত্তা ওইনা পুল্লগা লান তৌরকপদগী কনাগী চাক চানবা পুমচাই। অদুম লোইশিল্লে। রাজেসকা তোম্বীবাবুগদি হৌগৎলু য়াদ্রে। অতৈদি মা মাদুনা থোঙ্গাল্লোমদা অদুম থোকখ্রে।■ *-নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

# ‘শম্বল’

(হান্নগী মখা...) - এহ... থাঙ কাইনা, হেরা চাউবী লিচৈগী মহুত্তা ঐখোয়গী ইঙ্খোল তৌনবা মখোক খরা শাংনা য়োপাক্তু ওইনা পুথোরক্লো, অফাওবা শাবা মীশিংসে লাম-লামদুনা য়াম্থৎকে।

ইমুংলোমদা খৎন-চৈনবগী খোঞ্জেল তাবদগী থাবলৈ দুকান্দগী চেম্থোরল্লগা-

- করি তৌবা য়াওরবগে মখোয় পাবুংনা অদুক য়াম্না ফিংনা কৌবিরক্লিবদুনা?
- কদায়, ঐনা নঙোন্দা পুথোরকউ হায়বা অথৌবা থাঙশাং অদুদি?
- কদাইদগী অথৌবা থাঙশাংনো?
- এহ ... দুকানগী থোঙ মরুমদা ঙারগা লৈহৌরিবা থাঙশাং অদুবু লৈহৌদে হায়বা।
- হেরা, মখোয় পাবুং ঐ অঙাওবী নত্তে, করম্বা নুমিত্তা লৈখিবা থাঙশাংনো?
- অস, নুপী নংসিমা, থাঙশাং অদু লৈত্রগদি য়োপাকলা থাঙজৌরা অমা হেক্তা পুথোরকউ।
- অদুবু কৈদৌরগে হায়বা?
- য়েংউ, অৱাংলোমগী মী খৎনবা য়াম্না পাম্বা নুপা অসিনা ঙসাইদগী ঐখোয়রোমদা ওনশিল্লল্লগা খৎনবা হৌরিবনি। নচানুপাদু কোলেজদগী হল্লক্ত্রিবা?
- হল্লক্ত্রি, য়ারে মখোয় পাবুং থৌ লৈতবা মীশিংগা ওনশিন্নদুনা খৎনগদবগী শরুক য়ূমদা চঙলসি।

তাঞ্জা অদুদা চাওবীসু ইমুংলোমদগী থোরকপগা মপা চানদুনা থাবলৈনা ঙাঙলিবা ৱাশিং অদু তারম্মী। শুমাংদা পরপ-পরপ কুমথরল্লগা থাবলৈদা,

- ঙাইখো, ঙাইখো থাবলৈ, নঙনা হৌজিক হায়রিবা ৱাশিং অদু করিনো? ঐখোয়বু থৌ লৈতবা মীনি কায়না, নশমদু পায়রগা খুদাংসিদা য়েৎলগা হাইহৎলুরা?
- হাইদৎপীরোনে, ... হুরানবীনিনা মীনা ঙাঙবা ৱাকাসি লুল্লগসু তারল্লিয়ে। চাওবী অশাওবা অমগা লোয়ননা, মাগী মপুরোইবা থোইবদা-
- মখোয় পাবুং ঐবু হুরানবী কায়না হায়খ্রে, শম্বলসি অমুক্তা থুদেকপীয়ু, মসিগী ইকায় খঙদবী নুপী অসিগী মশমসি পায়রগা লৈমায়সিদা শোরো-শোরো অমুক্তা চিংগে। -মথং-মথং

*-কোংখাম চন্দ্রমনি*

---

# তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -১০

হান্নগী মখা... পারিহনগী মীওং অসিদি ওন্থোক্লা মশক থীখ্রে। তাইবঙ মী ওইবদা মতিক চাদে, য়াখিরোই। ইচানা শারিবা মওংসিদি লেম্না মাঙহল্লরোই। মথ্বায়বু হাপ্পীরগে। মকোক্তা থৌদু-নুং অনী ফুমদুনা ঈপাকনুংদা থাদোকখ্রসি। তাইবঙ মী শেল্লকপদা খূৎশেমসিনা ‘মমি’ তমলে। অদুনা ‘মিতম ঙমু’ হায়না মমিং কৌরসি। ঙমুবু থৱায় হাপ্পীরে অদুগা লাইনিংথৌ সোরারেনগা ৱাশক্নরে। “ঙমু নঙদি হয়েং তাইবঙ মী হায়বদুনা লাক্লগা তাইবঙ মীগী অৱা-অনা, অশোন-অনা লাকপদা নঙনা ‘উশিন ঙমু’ ওইরুরো। তাইবঙ মীগী অৱা-অনা পুরুরো। তাইবঙগী মচন ওইরুরো। ঈশিং মনুংদা লৈদুনা তাইবঙ শিন্থা তৌরুরো।” অসি হায়না ঙমুবু ঈশিং ঈপাক্তা থাদোকপীখ্রে। ঙমুসু লাইনিংথৌগী থৌদা য়াথং পুদুনা ঈশিং ঈপাকনুংদা হরাওনা লৈখ্রে।


মপাবুংনা তাইবঙ মী মান্দে হায়দুনা শারুবা মওং অদু ‘মীতম ঙমু’ ওইহনখিবদু ফুহিংসি খরা খজিক ইকায়দুনা মমায় ঙাংতক তৌখি। তন্না থোরক্তুনা অমা অমুক শাগৎলে। পূক্লিং চঙনা শাবা লোইরদুনা মপাবুং সোরারেন্দা কৎশিল্লে। মচানা শারকপা মীওংদু মুন্না য়েংলগা মোমোন নোক্লা হায়রকই, পারিহন নঙগী মওংসি তাইবঙ-মী ওইবা য়াখিরোই। মশক য়াম্না থীখ্রে। শারুরবনিনা লেম্না মাঙহল্লরোই। মথ্বায় হাপ্পীরগে। মমিংদি হন্দক শারকপদা থেকতোক থেকচিন য়াবা ‘হং’ য়াওরবনিনা ‘হং-ওই’ ওইরে। ‘হঙোই’ হায়না কৌরসি। চোঙবা ফনবা ঙমদুনা ঈশিংদসু-কংফালদসু লৈবা ঙমজসনু। -মথং-মথং

*-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*

---

মতম মতমগী ৱাফম

# চহীসিমা অসুম হৌখিগদৌরিমালে ?





হন্দক্কী চহী অসি চৈশিং ময়েক (অঙ্ক মশীং) ওইনসু মশক ফজে। মশীং অনী (২), ফুন অহান্বা অমা (০), অনী (২) অমুকসু ফুন অহান্বা অমা (০) অসিনা লোইরি। পূল্লপ পুল্লগা ২০২০ হায়বা কুমশীং অসি ওইরী । ঐগী ৱাহৈ অসি কনাগুম্বশিংনা করিনো শোয়দনা হায়গনি। কুমশীং ২০২০ অসিবু শন্দোক্লা হায়জবনি। মতীক ময়াই ফনা লৈরি। কুমশীং ২০২০গী চহী তঙ্খায় চল্লল্লবা অসি ফাওবা লাইচৎকী মিহুনসি নেমথদ্রি, লাইচৎ হনখিদ্রি। চহী অসিমদি অসুম্না অসুম হৌখিগদৌরিমালে । হন্দক্কী চহী অসি মীপূম খূদিংমক্কী পূক্লিং ৱাখল চরাংনহল্লি। ডেক্সনারিদা য়াওজবা ৱাহৈ ওইরগসু তোয়না ঙাঙনবা ৱাহৈ নত্তবনিনা কয়া তানদবা ৱাহৈ খরা হন্দক্কী কর্ফিয়ু মনুংদা তাখি। তোয়না ঙাঙনবা তারবনিনা অপীকপা অঙাং য়াওনা চিনফা পুনরে। মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বা কানদ্রগসু লোকদাউন, সোসল দিষ্টেন্সিং, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং, সেনিটাইজেসন, কম্যুনিটি স্প্রেদ, ক্বারন্টিন, হোম ক্বারন্টিন, ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র, পোজিটিভ, নেগেটিভ, মাস্ক, পি পি ঈ, এস ও পিনচিংবা ৱাহৈশিং অসি হন্দক্কী চহী অসিদা খঙলকখিবা ৱাহৈশিংনি। ঐখোয়না হান্না খঙনখিবা লায়নাশিংগী মথক্তা অনৌবা লায়না কোরোনা, কোভিদ-১৯ নচিংবসিমসু হাপচিঞ্জরে।

মণিপুরগী মপান্দা তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংগীদমক্তা মণিপুরী মচা অসুক য়াম্না লৈরমগনি হায়বসি নোংমতবু খল্লুদে। হন্দক ট্রেন্না মণিপুরদা চঙলকখিবা, প্লেন তোংলকখিবা মণিপুরী মীওই চা কয়া অসি উরুবদা অঙকপা পোকচখি অমদি নুংশিবা ফাওখি । মতম কুইনা মপান্দা লৈরিবা মণিপুরী মচাশিং অসিনা ইন্দিয়া অসি ঐখোয়গী ইরৈবাক্লি খঞ্জদুনা মাগী-মাগী মহৈ-মশিনগী অমদি থবক ইনখাংগী লৈজরুবা পূম্বা হন্দক্কী চহী অসিদদি নাখৈ শেংনা ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা ঐখোয়বু করম্না উরম্বগে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলকখি। ইন্দিয়াদগী ঐখোয়না খায়দোক্লুবা নত্তে মখোয়না নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংবু ইন্দিয়া মচা ওইহন্নীংলমদবা ওইরমখি। থৌদোক কয়া লৈখ্রে। নোর্থ ইষ্টকী মীওই, ইন্দিয়াগী তোঙানবা মফমশিংদা লৈরুবশিংনা হন্দক থেংনখিবা থৌদোকশিং, মায়োক্লখিবা কয়া অদু নীংশিংলুরগা ইন্দিয়া অসি করম্বা লৈপাক্লো হায়বসি কোভিদকী থৌদোক্লা ময়েক শেংনা খঙনখ্রবনি ।

ঙরাংতনি, লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউ লাওথোকখিবদগী, ইন্দিয়াগী তোঙানবা মফমশিংদা মহৈ তম্নরিবা পাখং লৈশাশিংনা মাগী মাগী লৈরিবা লমদম অদুদা চানবসু, শেল-থুমসু লোইশিনখিবগী অৱাবা ময়োক্লখিবা। মপান থোক্লুরগসু নন মণিপুরীশিংনা কোরোনা হায়না করেম্নবিবা কয়া অদুদগী মখোয় মশেন পূনশিন্নরগা- পাবুং বীরেন ঐখোয়বু লৌথোকপীয়ু হায়না ইকায়খূম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টরদা হায়খিবা ৱাফম মিদিয়াদা ঙাইহাক লৈতনা ফোঙদোক্লকখিবনি। মখোয়গী অৱাবা অদুদগী কোক্লবা হায়দুনা তোঙানবা রেলৱে ষ্টেসনশিংদগী ইম্ফালগী জিরি রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা অখন্নবা ট্রেন চেলহনবীদুনা মীওই লীশিং কয়া নোংমা কাংদনা পুবীরকখি। লোকদাউন লৈরমদ্রগদি জিরিগী রেলৱে ষ্টেসন্দা মী পুশিল্লকপগী ট্রেন হৌজিক ফাওবা চেল্লমখিরোই। লোকদাউন্না জিরি রেলৱে ষ্টেসন শঙকাবিখিবসিমদি অফবনি। অহানবা জিরিগী রেলৱে ষ্টেসন্দা মণিপুরী মচা ময়াম পুরকখিবা নুমিৎ অদুদি পূক্লিংদা নুংশিবা ফাওখি। অদুঙৈ, ইন্দিয়ানা বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা মতম কুইনা লৈরম্বদগী নীংতম্বা লৈপাক ওইরবদা ইন্দিয়া পকিস্থান পূল্লম্বদগী খায়দোক্লদুনা মাগী-মাগী মরমদম ময়ূম মাইকৈ হন্নখিবদুগা চপ মান্নখি। ইন্দিয়া পকিষ্টান পার্টিসন তৌনখিবগী থৌদোক্তু নীংশিংলকই। মণিপুরগী লোকল কেবল নেটৱার্কশিংনা থৱায় য়াওনা লাইফ কভরেজ ফাওবা তৌদুনা মিৎনা উবগী পাউদম পীখিবনি।

ঐখোয় কনানসু ইরমদমগী মচাশিংবু মখোয়না লৈরুবা মফমদগী কোভিদ নারগা চঙলক্কনি হায়বা থাজখিদে । মরমদি মখোয় লোয়নমক মেডিকেল থর্মো চেক তৌরবনিনা মশা ফনা লাক্কনি খন্নখি। অমরোমদা অমুকসু খল্লি অৱাং নোংপোক মচাশিংনি কাবক কাবক টেষ্ট তৌরগা মখোয় অসিতবু চৎখ্রবদি হায়দুনা নীংথিনা চেক তৌবীদনা থাজিল্লকখ্রবা জাৎলা ? মসিসু ওইরম্বা য়ারিবনি। মণিপুরদা হান্না কোভিদ লাইচৎ নাখিদ্রি । মপান্দগী লাকপশিংনা লাইচৎ অসি পুরকখিবনি। ঙসিদি ফাগি ফাগিদগী লমদমসিদা কোভিদকা শাগোন্নরবা এক্তিব ওইবা মীওই ৬০০ হেনখ্রে। মতম কুইনা য়ূম থাদোক্লুরবা মতুংদা, ৱানা য়ূম য়ৌরল্লগা য়ূমদসু চঙবা য়াদনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা অমুক থা অমোরোম থমজিনবীবা মীওই কয়া য়াওনরি। নারমদবা কয়া অমসু নৌনা নরে হায়দুনা মখা তানা ক্বারন্টান সেন্টরদা লৈহল্লি। ফরগা নেগেটিব ওইরে চৎনখিবসু য়াওই। নেগেটিব ওইরে হায়না চৎখ্রগা পোজিটিব ওইরক্লে হায়দুনা অমুক লৌখৎলুবসু য়াওই ।

অৱাবা মখল কয়ানি হৌজিক মায়োক্লরিবসি ।

য়াম্না নুংঙাইতবা পাউদি নুপীমচা মহৈ তমল্লিবী অমনা মশাগী য়ূমদা হোম ক্বারন্টিন তৌরিঙৈ, অদুসু ক্বারন্টিন নুমিৎ শুবগী নুংঙাইনা ইমুং-মনুং পূন্না লৈমিন্নরগদবা নুমিৎ অদুমক্তদা মশা মতোমদা পেন্দবা নুংঙাইতবা অমদগী মাগী কামক্তদা পিখম্নখিবগী পাউ অমা তাখি। লৈখিদ্রবী অদুনা হিংলিঙৈ, মণিপুর থোকলক্লবা ময়াম পূল্লপ ফল্লগা ঐখোয়বু লৌথোকপীয়ু হায়খিবশিংদুগী মরক্তা মহাকসু য়াওরমগনিদো। য়ূমদা থোকচনিংবদগী থোক্লকখিবদা খুদোং থীবা মহাক নংখি। লাইচৎকী নুংশিৎ ফংখি । করিগুম্বা মহাক্লা থোক্লকলমদ্রগদি মহাক্লা তমজরিবা মহৈ মপূং ফারমগনি। লমদমসিগী মিদিয়াগী খন্ন-নৈনবা থৌরম অমদসু অখঙ-অহৈ ডাক্তরশিংনা কোভিদ ৱাখল লায়নাগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মমাঙদা কয়ারক তাজখি । থোক্লবা য়াবা লাইফাওগুম্লবা ডাক্তরগী ৱাফম অচুম্বা ওইখি ।

কোলকটাগী হোস্পিটাল খরদগী পূল্লপ থোক্লকখিবা মণিপুরী নর্সশিং অদুগী পাউনা করম তৌখ্রবা ? মখোয়গী মরাইবক করম্বা ফিভমদা লৈখ্রবগে? ঙল্লিঙৈগী মিদিয়া রিপোর্টকী পাউদম তাবদা মখোয়গী অৱাবদা ঐখোয়সু য়াওখিবনি। মমাঙ থাগী খন্ন-নৈনবদা মখোয়গী মতাং য়াম্না য়াওখি। হৌজিক্তি মিদিয়ানা নৈনবীরিবা হীরমসিসু মতম-মতমগী মতুংইন্না মায়ওন অমুক-অমুক ওল্লকই। মতমগী হোংলক্লিবা অওনবদা নাকোং থম্মী, মীৎয়েং থম্মী। মসিদি তৌফম থোকপনি। মখোয়দি মীয়ামদা পাউ তম্বনি। মিৎ-নাকোং শীংনা লৈনবা খঙহনবনি। হন্দক্কী থোকখ্রিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম অসিদা লমদমসিগী মিদিয়ানা লৌরিবা থৌদাং অসিসু ঐখোয়না থাগৎফম থোকই। মখোয়মক লৈরমদ্রগদি খুদোংথীবা মশীং হেল্লমগনি। কোভিদকী পাউ মরক থৎলগা মিদিয়ানা লৈঙোকলোনগী চোঙথোক-চোঙশিনগী পাউরোমদা অমুক লৈশিল্লি।

মাইক পায়দুনা মীয়ামগীদমক অয়ূক-নুংথিল ঙাক শেনবীরম্বা পুলিসকী মীওইশিং জগবন্ধুনা কাং লোইদুনা চেপখিবগুম খরদি পোথাবা ফংলল্লগনি। মখোয়সু মীনি। মীয়াম্না ৱাখল তাবিরবদি ঐখোয়বু ঙাক শেনবীরিবা পুলিসশিংনা অসুক য়াম্নদি ৱাফম থোক্তবনি। জিরিদা থৌ পুজবা পুলিসশিংদা খুদোংথীবা নংলিবসি মখা তানা লাক্তবা ওইসনু। মীয়াম্না লোগদাউন মনুংদা খূৎশা করম্না হামদোক্কনি, সোসল দিষ্টেন্সিং করম্না ঙাক্কনি হায়বগী কান্নবা কয়া তমহৌখিবসিমদি তুংগী ওইনসু য়াম্না কান্নরবা অমদি ওইহৌগদৌরি। হেক তম্লোইদবসি লৈঙাকলোনগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী লমচৎ অসিমদি শুকতম তম্লোইদবনি । নুপীগী য়ূম্নাক লৈতে, ষণগী ষণগোন লৈতে, হিঙ্গোলগী মপু লৈতে হায়নবগুম পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তৌরিবা শাজৎ অসিদা হেক তাই। ফিরাল অমগী ওইরম্বদু অমদা অমুক চৎখি। অতোপ্পা ফিরাল অমগী মখাদা মতম খরা অমুক লৈরম্মী। ফিরাল অমা উবদা অমুক হান্নগীদু লংথোল্লগা অনৌবা ফিরাল অমগী চৈখোক অমুক পায়খি। ঐগী ওইরম্বা ষণ লামচাদো মীঙোন্দা হেক লৈখিবদা মীদুগী অমুক ওইখি । ঙসি ঐনা লৈজরিবা ইঙ্খোল অসি অমদা য়োল্লুবদা মীদুগী অমুক ওইখি। মতৌ অসুম্না ময়ূম মকৈ লৈতবা কোয়পাই পাইদুনা লৈবা/লৈগনবদা হৈনবা, মশাগীতা খনবা মীওইশিং ঙসিগী মীরোলসিদা য়াম্না থোক্লকখি। মখোয়দগী ঐখোয়না করিমত্তা তম্নিংঙাই য়াওদে। মখোয়গী পূন্সিগী ৱারীদি মরৈবাক নীংবা লময়ানবা ইরাবতকুম্নসু, চিংলেনসনা, টিকেন্দ্রজিৎ, হায়পৌ জাদোনংগুম্না শোন্নহৌররোইদবা ঙাক্তনি। জিসি তোংব্রানা করিগুম্বা হিংলম্বা থোক্লগদি মখোয়না তৌরিবা মতৌশিং অসিবু করেম্নবা লীলা, দ্রামা কয়া ইদুনা ফোঙলমগনি। নোক্কদ্রা, কপকদ্রা হায়ফম তৌফম খঙদবা পূন্সি মরেল অমদা হন্দক্কী চহী অসিমদি অসুম হৌখ্রগনি। নীংথমথা কুইদ্রে, থা অহুম অমুক লৈরগদি য়ৌরল্লগনি। লাইচৎ হৌখিবসি নিংথম থাদনি হন্দক্কী নিংথম থাসিদা লাইচৎ লোইবা ঙমগদৌরিব্রা ? নৎত্রগা কম্যুনিতি স্প্রেদ লৈতে হায়না নুংঙাইরিবা ঐখোয়গী লমদমসি নিংথমথাদা অনৌবা মপাউ অমা তাহন্নবা ঙাইরিব্রা ঐখোয় হায়বা ঙমদ্রি । ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

# শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (৩শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা ‘শ্রীকান্ত’ পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা

(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)

মখূৎ নামনা নুপীদুগী মঙক্তা কোল্লগা, মখূৎ অমদুনা রুমাল অমা পায়দুনা তৈথোকচরগা নুপাদুনা কপ্লিং- কপ্লিং তৌবা খোঞ্জেলদা করিগুম্বা ৱা খরা লোন্না হায়, অদুগা নুপীদুনা মাগী মায়খুমফি অদুনা মমায় খুমজিন্দুনা থিংবা ঙমদবা মওংদা হীক- হীক কপ্লম্মী। ঐদি মখোয়দগী খিত্তং থাপ্তক লেপ্পা মরম্না মানা হায়রিবা ৱাশিংদু অহানবদদি তাবা ঙল্লমদে। অদুবু, তিল্লিবা মীয়াম অদুগী মরক্তগী খরনা য়াম্না শাথীনা নুংঙাইতনা মায়থোং লাংশিনবা, অদুগা মী খরনা নোক্লিংবা ফাজিন্নবা কন্না হোৎনরিবশিংদু উরুরগা, ঐসু মীরক খায়দুনা মখোয়গী মনাক তান্না চঙশিল্লুবা মতমদদি, নুপাদুনা লৈশি-লৈথোন য়াওদবা ফজদবা বঙ্গালী ৱাহৈনা ঙাঙলিবদু তারকখি - “রঙ্গপুরদগী হীদাকমনা পুরল্লগা ঐ অমুক হল্লকখিনি হায়না নঙনা খঞ্জরিদো? মদুগীদমক ঐবু ঙাইদুনা নঙনা লৈরমখিগদৌরিব্রা? ও: সনামানবী! নঙগী খাঙেনফম য়ৌরবা মতমদু ফাওবা ঐবু ঙাইদুনা নঙদি অদুম লৈহৌরোকো, ঐদি মপোকসিমগী নঙগা লোইনরবনি। ঐনা পেঞ্জদবা হায়ববু নঙোন্দগী থেমদুনা চামঙাখক্তমক লৌথোকপা ঙম্বা অসিখক্তনি। ঐনা নিংলম্বা লীশীং অদুদি য়ৌবা ঙমখিদ্রে। ঐনা মতম খরা শাংথনা ফংবা ঙল্লম্বা থোক্লবদি নয়ূমসি য়োম্থোকহল্লগা শেনদু ঐঙোন্দা পীহনবা ঙল্লমগদবনি। মদুগী মতাংদা খল্লুরগা ঐ ননাক্তা অমুক লাক্কেগা হায়রম্বা য়াবনি। অদুবু, চামঙাগা হায়বসি করিসু লৈতবা শেলনি। ও! মীওইপোক তাইবং হায়বসি ওন্থোক্লা তমথীখ্রবা মিনুংশি য়াওদবা পোৎ ওইরেকো!”

নুপাদুনা মাগী তাৎকী থবক্তু য়াম্নমক থৱায় য়াওনা নুংঙাইনা চথুরি অদুগা মাগী কুম্মৈদুনা নুংঙাইবা পীরিবা অকোয়বদা লৈরিবা বেঙ্গলী মচাশিংদুনা অমুক হেন্না মখা চথনবা হিদোংশল্লি। তৌইগুম্বসুং নুপীদুনদি মদুগী মতাংদা করিসু খঙখিদ্রে। মানা তাবা-খঙবা ঙমজবা হায়ববু মাগী পামুবদুগী হীক্লা কপ্পগী খোঞ্জেল অদুতনি, অমদি মানা হেন্না হৌনা কপখৎলকপদা নুপীদুনা মপি তৈথোকপিনবা মখূৎ থাঙ্গৎলকখি। মতাংদুদা হিরোয়শিংদুনা হিগাফম ঊপাক (গেংৱে) অদু লৌথোকখিদৌরে খঙহল্লদুনা মাবু হিথক্তা কাখৎলক্লবা কৌরকখি।

নুপাদুনা জাহাজ তম্না চঙশিনবা হৌরকখি, অদুবু অমুক তনহন হঞ্জিল্লক্তুনা নুপীদুগী মখূৎ পায়রখি। নুপীদুগী খূৎশাদা শিরিবা ফজরবা খূদোপ্তুদা খূদোম্বী থিল্লগা হীক্লা কপ্তুনা হায়রকখি, “অ: মসিমতা ঐঙোন্দা পীয়ুবা, ঐখোয়গী নুংশিনবগী অরোইবা সাক্ষী ওইনবা। মসি ঐনা য়োম্থোক্লবসু য়ামদ্রবদা লুপা চহুমদি শীৎকনি, মসিবু ঐঙোন্দা কৈদৌনা পীরোইদগেনে, সনাগুম্বী ইশানৌ?

নুপীদুনা খূদোপ্তু লৌথোক্তুনা মথংলেন্দুগী মখূত্তা শীজিনবিখ্রে। অদুদগী মশাদু হীকথরদুনা খূকউ লৈতানা লৈমায়থক্তা কুম্থখি। নুপাদুনা মাগী ফজরবা এক্তিং অমা পাঙথোক্লল্লগা হিগাফম ঊবাক্তু লান্দুনা চঙখিবদু উবদা অয়েংবশিংবু নুংঙাইবনা মথুম-মরাঙ হৌহনখি। অদুবুনে মরাইবক থীরবী মৌনহাদুদি ময়াম্না তৌনরিবদু উখিদে, করিসু তাখিদে - মাদী মাগী অৱাবগী ঈরোন্নুংদা লূপ্তুনা লৈখি।

জাহাজদু চৎপা হৌখিদুনা অসুম অসুম লাপথোকখ্রবদা মীয়ামদুদগী হায়নরকপা তাখি - ‘কয়াদা ঙকখ্রবা নুপামচানোনে সে!’, ‘অশেংবমক্কী ওন্থোক্লা হৈখ্রবা নুপানি’, অমসুং ‘লাইমক্লা খঙনি! ঐদি মাগী মতৌদুদা পূক্লি তিংখ্রবনিনে!’। লংথোক্তুনা থম্বিরল্লবা মৌদুদদি কনামত্তনসু মীৎচিনা ফাওবা য়েংবিখিদে, খনবিখিদে।

ঐনা মনাক তান্না চঙশিল্লুবদা মচেদুবু মখূৎ পায়রগা চিংখত্তুনা লৈরল্লিবা লৈশাবী মচাদুনা ঐঙোন্দা নুংশিনা য়েংলল্লগা হায়রকখি, “হৌগৎলো ইচে। কনানো সিদা লাকইসি য়েংঙুনে।”

নুপীদু মমায় নোনখৎলকখি অদুগা ঐগী মায়থোংদা তারিবা মমিদু উরুরগা কপ্পগী অনৌবা ঈনোৎ অমগা হাপকৎলকখি। ঐ মাবু মবূক লোয়না থেমজিন্নবা ৱাহৈ লাম্বা ফংখিদে, অদুবু ঐ মাবু থাদোক্লিংখিদে অমসুং খোঙ থাংদোক্তুনা চৎপা ঙমখিদে। মাগী গাড়ীদু ফাওবা ঐনা শমদুনা পুবিরে, অদুদগী মানা হায়জমনবদগী মাগী ময়ূম ফাওবা গাড়ীদু তোংদুনা চৎমিন্নরে।

“ও: কৈদৌবৈ ঐনা মাবু রংপুরদা চৎপা য়াহঞ্জরু-রবনো?” লম্বীদা মানা মসি হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনতা লৈখি, য়ূম য়ৌবা ফাওবা। “থা অমা! থা মপুম অমা! মা য়াওদনা ঐ ইতোমতা করম্না লেনগনি? ইথন্তা নাইতোম লৈবসিবু করম্না খাঙদুনা লৈদৌরিবনো? অদুগা মাসু - ঐ য়াওদ্রবদি মাসু মীরমদা তৌফম খঙলোই, য়াম্না ৱারল্লগনি। মাবু ঐনা চৎহল্লমোইদবনি। নহান মখৈসি রেঙ্গুনগী কৈথেলশিংদগী হীদাকমনা লৈরুরগা থবক চৎনদুনা লাকপনি। ও:! মদুদা ঐনা পেম্থোক্তুনা করিগী লৈহৌদবনো? কৈদৌবৈনো ঐনা অহেনবা শেন্দোং পাম্লুরিবসি? বাবুজি, নীংঙমদবনা ঐগী থম্মোয়সে চাক্লে হৌজিক্তি। মথং থাগদবা জাহাজ অমদা তোংদুনা ঐ মাগী মনাক্তা শোয়দনা চৎকনি।”

ঐ তুমিন্না ফমদুনা, থোঙনাওরোমদা মুন্না য়েংদুনা লৈখি, ঐগী মীৎকী পিদু মাবু উহনখিদনবা হোৎনবদা।

মানা মখা তারকখি, “বাবুজি, নহাক্লা তৌবিরিবা অসিগুম্না ঐখোয়গী মীশিংনদি ঐবু নুংশিবিদে। নহাক্লা মিনুংশি লৈরিবা, শেগ- মাইগা হায়নবা য়ারিবসিগুম মখোয়দি তৌদে।” অদুদগী সোর চনীং তানা হোনবা ঙম্নবা ঙাহাক লেপ্লুরগা অমুক হায়রকই, “ঐগা মাগা অহানবা য়ূম্বান্নবা হৌরকখিবা মতমদুদা ঐখোয়গী মরী-মতাশিংনদি মীরম মচাদা থাজবা থল্লুনু হায়না য়াম্না কন্না ঙাঙ-চৈবা তৌখিবনি। অদুবু ঐনা মখোয়গী ৱাদু তাখিদে অমসুং ঐনা লৌজরিবা ফিরেপ্তুদা ঐহাক করিসু নুংঙাইতবা, নীংঙমদবা লৈখিদে। ঐনা নুংঙাইনা হিংলিবা পুন্সিসি উবদা কবো লৈশাবী কয়ানা হৌজিক ঐবু কল্লকচরিবনি।”

সুম লাকপনা গাড়ীদু লম্বী লল্লোং অমা য়ৌরকখি, মদুদা কুমথরবদি ঐগী হোতেলদুদি ঙাহাক্তং খোঙনা চৎপদা য়ৌরনি। ঐ মফমদুদা কুমথরগা হোতেল য়ৌনবা চৎনিংখি অদুবু নুপীদুনা কুমথহৌগে য়াদ্রে। গাড়ীগী থোঙদুদা মখূৎ অনী তিংথোক্তুনা থৎলগা হায়রকই, “বাবুজি, ঐগী য়ূমদা হান্না চৎলগা চা কপ অমত্তং থকপিখো।” মাগী ৱাদু য়াদবা ঙমদ্রে। গাড়ীদু অদুম চৎলি, অমসুং মথ্বায় ৱাজরবী মৌনহাদু কপ্পদা ৱারদুনা তুমিন্না লৈখ্রে। খঙহৌদনা মশা তিংখত্তুনা ফল্লগা য়াম্না লাংতক্লুনা, খঙনিংনা হংলকখি, “ বাবুজি, রংপুরসিবু কয়াম থাপ্পগে? মফমদুদা চৎপিরুরব্রা? মদুগী মফমদুবু করম্বা লমদানো? অনা- অয়েক্কা য়াওরকপদা দাক্তরগা ফংবা মফল্লা?”

“ফংই” শম্না খুমই ঐনা।

সোর মপী অমা শাংনা হোন্দোল্লগা মানা হায়রকই, ‘ফৈ’(কবো লাইরেম্বী অমগী মমিং)- না ঙাকপিদুনা মাবু তেক্ত-কায়দনা থম্বিগনি! ঐ কৈসু কিনিংঙাই লৈতে। মাগী ময়াম্বসু মাগা লোয়নরিদনা। ইতৈদু নুংশি চাউবা মীনি, মনাওবু অৱাবা পূম্বদগী মানা কনবিনি। ইন্দিয়া মচাশিং সিদি য়াম্না পূকচেল চাওবা মী ঙাক্তনি। মথৌ মশক খঙখ্রবনি! ঐ কৈদৌনা ৱাদোইনো?”

-মথং-মথং

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।